# সনালৈবাক স্পোর্টস







*পুদুচেরি ক্রিকেটকী ফোরমেট অহুমক্কী ওইনা কোচ ওইবগী থৌ পুহনখ্রবা মমাঙদা কর্নাতকা ক্রিকেট টিমগী বেটসমেন ওইরম্বা জে অরুক কুমার*

*ফ্রান্সকী ফুটবোল ক্লব পেরিস জেন্ট জর্মেননা য়ুরো মিলিয়ন ৩২ দা জর্মনিগী ক্লব বোরুশিয়া দোর্টমুন্দগী লৌখ্রবা অবদৌ দিয়ালো*

## টেন্নিস ষ্টার রোহন বোপানাদা স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা আর্জুনা এৱার্দ খুৎশিন্নখ্রে

*ন্যু দিল্লি , জুলাই ১৬(এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপাগী দবলসকী মমিং লৈরবা টেন্নিস ষ্টার রোহন বোপানাদা লৈবাক অসিগী শান্নরোইশিংদা পীবা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা মনা আর্জুনা এৱার্দ য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা খুৎশিন্নখ্রে।



আর্জুনা এৱার্দ ফংখ্রবা রোহন বোপানানা হায়খিবদা মহাক্না ঙসি লৌখিবা মনা অসি প্রসিদেন্টতগী রাস্ত্রপতি ভৱনদা অতোপ্পা এঠলিট অমদি অতৈ এৱার্দ ফংবশিংগা লোয়ননা লৌমিন্নিংবগী অপাম্বসু ফোঙদোকখি।

নীংশিংবা য়াই, কুমজা ২০১৬ তা পাঙথোকখিবা রিও ওলিম্পিক্স গেমসতা ৱার্ল্ড নম্বর ৩ দা লৈরম্বা রোহন বোপানানা মহাক্কী মিক্স দবলসকী পেয়র ওইরিবী ইনিদয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই সনিয়া মির্জাগা মেডল ফংগদবা শম্নাদা ৱাৎহৌখিবনি।

বোপানানা ঙসি য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টরগা উন্নখিবা অদুদা ইন্দিয়াগী টেন্নিস শান্নরোইশিংনা শান্নরিবা মেটচশিং অদু ইন্টরনেটতা য়েংবা ফংহন্দুনা লৈবাক অসিগী হৌগৎলক্লিবা শান্নরোইশিংদা মশান্না অসিদা অনৌবা থৌনা পীবা ঙম্নবা হোৎননিংবগী অপাম্বসু মহাক্না মিনিষ্টরগী মফমদা ফোঙদোকখি।

রোহন বোপানা অমদি দিভিজ সরননা ইন্দোনেসিয়াদা পাঙথোকখিবা এসিয়ান গেমসতা নুপাগী দবলসকী গোল্ড লৌখ্রবা মতুং মখোয় অনীবু ইন্দিয়াগী স্পোর্টস চাওখৎনবগী স্কীম অমা ওইরিবা টোপ্সতা হাপচিনখিবনি।

টোপ্সতা চনখ্রবা মতুং চহী অসিগী ওইনা মহাক ফন্দিং অমত্তা ফংবা লৈত্রি। হিরম অসিগা মরী লৈননা মহাক্না ওরিজিনেল বিলশিং পুন্নমক ওঠোরিটিদা থাখ্রে হায়নসু আর্জুনা এৱার্দ ফংখ্রবা রোহন বোপানানা মখা তানা ফোঙদোকখি।

এৱার্দ পীবগী থৌরম অদুদা স্পোর্টস ওঠোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী দাইরেক্টর জেনরেল নিলম কাপুরসু শরুক য়াখি। রোহন বোপানানা হৌজিক লৈরিবা মেডিকেল বিল অমদি অহানবা থা ৩ গী ফন্দ এপ্রুভ তৌনবা মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিংদা খঙহনখিবা লৈখ্রে হায়রি।

বোপানানা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মহাক্না ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই দিভিজ সরনগা পেয়র ওইদুনা মালেমগী অচৌবা টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়াবা পাম্লি। অদুবু হৌজিক মখোয়না লৈরিবা ৱার্ল্ড রেঙ্কিং অসিদা শরুক য়াবগী খুদোংচাবদি লৈত্রি।

অতোপ্পা পার্টনরশিংগা লোয়ননা অচৌবা টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়াবা হায়বসি অরাইবা থবক অমদি নত্তে। অচৌবা টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়ানবা ঐখোয়না অনৌবা টেক্নিকশিং খনবগী মথৌ তাই হায়নসু বোপানানা ফোঙদোকখি।

## ইন্দিয়াগী টিম্না জুনিয়র সুট্টিং ৱার্ল্ড কপকী মিটর ২৫ গী স্পোর্টস পিষ্টোলদা গোল্ড মেডল লৌখ্রে

*সুল , জুলাই ১৬ (এজেন্সি)ঃ*

জর্মনিগী সিটি সুলদা চৎখরিবা জুনিয়র সুট্টিং ৱার্ল্ড কপ্তা ইন্দিয়ানা মিটর ২৫ গী স্পোর্টস পিষ্টোল ইভেন্টতা গোল্ড মেডল লৌখ্রে।

জুনিয়র সুট্টিং ৱার্ল্ড কপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী মিটর ২৫ গী স্পোর্টস পিষ্টোল টিম ইভেন্টতা ইনিদয়াগী ভিজয়ভির সিদ্ধু, রাজকানৱার সিংহ সান্ধু অমদি আদর্স সিংহনা পুন্না পোইন্ট ১৭৩৮ স্কোর তৌদুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

টিম ইভেন্ট অসিদা চাইনাগী টিম্না পোইন্ট ১৭২৮ স্কোর তৌদুনা সিলভর মেডল ফংলগা চেক রিপব্লিক্কী টিম্না পুন্না স্কোর ১৭২৬ তৌদুনা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখি।



*মিটর ২৫ গী স্পোর্টস পিষ্টোল ইভেন্টকী টিমদা গোল্ড লৌখ্রবা ইন্দিয়াগী সুট্টরশিং*

নুপাগী মিটর ২৫ গী স্পোর্টস পিষ্টোল ইভেন্ট অসিদা চাইনাগী সুট্টর জিয়া ক্বিনা পোইন্ট ৫৮৪ স্কোর তৌদুনা গোল্ড মেডল লৌখি। য়ুক্রেনগী য়ুরি কোলেনস্কীনা পোইন্ট ৫৮৪ ফংখ্রবসু সুট ওফতা মায়থিহৌবদগী সিলভর মেডল লৌখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক জর্মনিগী সুট্টর ফ্লোরিয়ান পিটরনা পোইন্ট ৫৮৩ দা ফংখি।

ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবা ইনিদয়াগী সুট্টরশিং রাজকনৱার সিংহ সান্ধু, দিলসান কেল্লে অমদি আদর্স সিংহ মথংশিংনা ৪শুবা, ৬শুবা অমদি ৮শুবা পোজিসন তাহৌখি।

জুনিয়র সুট্টিং ৱার্ল্ড কপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা জুনিয়র মেনগী মিটর ১০ গী এয়র রাইফলদা রুশিয়াগী সুট্টর গ্রিগোরি সামাকোভনা পোইন্ট ২৫০ স্কোর তৌদুনা গোল্ড মেডল লৌখি। চাইনাগী সুট্টর ঝাং চাংহোংনা পোইন্ট ২৪৯.১ ফংলগা সিলভর মেডল লৌখি। চাইনাগী অতোপ্পা সুট্টর ঝু য়ুৱানননা পোইন্ট ২২৮.৬ তা ব্রোঞ্জ মেডল ফংখি।

ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবা ইনিদয়াগী সুট্টরশিং হ্রিদে হজারিকা, য়াস ভরধান, অমদি আস্বারা প্রতাপ মথংশিংনা ৪শুবা, ৭শুবা অমদি ৯শুবা পোজিসন তাখি।

জুনিয়র মেনগী মিটর ১০গী এয়র রাইফল টিম ইভেন্টতা চাইনানা পোইন্ট ১৮৭৭.৮ স্কোর তৌদুনা অনৌবা জুনিয়র ৱার্ল্ড রেকোর্দ থমদুনা গোল্ড মেডল লৌখি। ইনিদয়ানা পুন্না পোইন্ট ১৮৭৭.৩ স্কোর তৌদুনা সিলভর মেডল লৌখি। ব্রোঞ্জ মেডলনা হঙ্গেরিগী টিম্না পোইন্ট ১৮৭৭.১ দা লৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী জুনিয়র ৱুমেনগী মিটর ২৫ গী স্পোর্টস পিষ্টোল ইভেন্টতা বলগেরিয়াগী সুট্টর মিরোস্লাভা মিনচেভানা পুন্না স্কোর ৩০ তৌদুনা গোল্ড মেডল লৌখি।

ইভেন্ট অসিগী সিলভর মেডলনা ফ্রান্সকী সুট্টর কামিল্লে জেদরজেজেস্কিনা পোইন্ট ২৮ স্কোর তৌদুনা লৌখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা চাইনাগী সুট্টর ঝু সিয়িংনা পোইন্ট ২৫ ফংলগা লৌখি। টিম ইভেন্টতা চাইনানা গোল্ড, ফ্রান্সনা সিলভর অমদি থাইলেন্দনা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখি।

চৎখরিবা জুনিয়র সুট্টিং ৱার্ল্ড কপ অসিদা ইন্দিয়ানা গোল্ড ৭, সিলভর ৭ অমদি ব্রোঞ্জ ২ পুন্না মেডল ফংলগা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি। চাইনানা গোল্ড ৫, সিলভর ৩ অমদি ব্রোঞ্জ ৫ ফংলগা অনীশুবা পোজিসন তাদুনা ইনিদগী মতুংদা কন্না ইন্নরি।

## নুপাগী দবলসতা ইন্দিয়াগী রানকিরেদ্দি অমদি সেথি ইন্দোনেসিয়া ওপনগী অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে, পোনাপ্পা অমদি সিক্কী রেদ্দি লৈহৌরে

*জাকর্টা, জুলাই ১৬(এজেন্সি)ঃ*

ইন্দোনেসিয়াগী কোনুং জাকর্টাদা ঙসিদগী হৌখিবা য়ু এস দোল্লর ১,২৫০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা ইন্দোনেসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী দবলসকী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী রানকিরেদ্দি অমদি চিরাগ সেথিনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে, নুপীগী দবলস পেয়র আস্বিনি পোনাপা অমদি সিক্কী রেদ্দি অহানবা রাউন্দদা মায়থিহৌরে।



ইন্দোনেসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী অহানবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী পেয়র সাটৱিকসাইরাজ রানকিরেদ্দি অমদি চিরাগ সেথিনা মালেসিয়াগী পেয়র গো জে ফৈ অমদি নুর ইজুদ্দিনবু ২১–১৯, ১৮–২১, ২১–১৯ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসতা ব্রোঞ্জ মেডল ফংবা ঙমখিবা ইন্দিয়াগী নুপীগী দবলস পেয়র আস্বিনি পোনাপ্পা অমদি সিক্কী রেদ্দি ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা মালেসিয়াগী পেয়র ভিভিয়ান হু অমদি য়াপ চেং ৱেনগা য়ান্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ২০–২২, ২২–২০, ২০–২২ দা মায়থিহৌখি।

ইন্দিয়াগী মিক্স দবলসকী পেয়র জেরি চোপ্রা অমদি এন সিক্কী রেদ্দিনা অহানবা রাউন্দদা নেদরন্দেসকী পেয়র রোবিন তাবেলিং অমদি সেলেনা পিয়েকপু গেম অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ২৫–২৩, ১৬–২১, ২১–১৯ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা অহানবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা জপানগী কেন্টো মোমোটানা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা মালেসিয়াগী শান্নরোই লিয়ু দিবু ২২–২০, ২১–১৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দনা চাইনাগী হুৱাংগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা চাইনিজ তাইপৈগী চৌ টিয়েন চেননা থাইলেন্দগী শান্নরোই এস এভিহিংসানোনবু স্ট্রেট গেম ২১–১২, ২১–১১ দা মায়থিবা পীরম্লগা চাইনাগী লিন দানগা লম্বা তৌনরগনি।

চাইনাগী লিন দাননা অহানবা রাউন্দদা কানাদাগী হো সুবু ১৪–২১, ২১–১৬, ২১–১৬ দা থোইরম্বনি। ৬শুবা সিদেদ ইন্দোনেসিয়াগী জেনাথন খৃষ্টিসু অহানবা রাউন্দ মায় পাক্লুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা অহানবা সিদেদ ওইরিবী চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িংনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা সিঙ্গাপোরগী য়িও জে এমবু ২১–১২, ২১–১৮ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৪শুবা সিদেদ ওইরিবী জপানগী অকানে য়ামাগুচিসু অহানবা রাউন্দদা চাইনাগী লি জুরোইবু ১৮–২১, ২১–১০, ২১–১৫ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

ইন্দিয়াগী সট্টলর পি ভি সিন্ধু অমদি কিদম্বী শ্রিকান্থকী অহানবা রাউন্দগী মেটচশিং হয়েং শান্নগনি।

## নুপাগী হেদ কোচকী নৌনা এপ্লিকেসন থাখ্রে

*ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৬ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপা ক্রিকেট টিমগী হৌজিক–হৌজিক হেদ কোচ ওইরিবা রবি সাস্ত্রীগী কোচ ওইবগী মতম মথং থাদা লোইগদবা মরম্না বোর্দ ওফ কন্ট্রোর ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই) না অনৌবা কোচকীদমক এপ্লিকেসন থাখ্রে।

নৌনা ইন্দিয়াগী নুপা ক্রিকেট টিমগী হেদ কোচ ওইগদৌরিবা অসিগী চহী ৬০ দগী তাগদবনি অদুগা য়ামদ্রবদা চহী ২ গী ইন্টরনেসনেল এক্সপরিয়েন্স লৈগদবনি হায়না বি সি সি আইনা ঙসি থাদোরকপা চেরোল অসিনা মখা তারক্লি।

বি সি সি আইগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না হৌজিক–হৌজিক ইন্দিয়াগী নুপা ক্রিকেট টিমগী কোচিং ষ্টাফশিংদি রিক্রুইটমেন্ট অসিদা অদুমক য়াওবা য়ারগনি। এপ্লিকেসন থারিবশিং অদুদি হেদ কোচ, বেট্টিং কোচ, বোল্লিং কোচ, ফিল্ডিং কোচ, ফিজিওথেরাপিষ্ট, এদমিনিষ্ট্রেটিভ মেনেজর অসিনচিংবনি।

## ইন্দিয়াগী টিম কম্মনৱেল্‌ঠ টেবল টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপকী গ্রুপ বি দা লৈখ্রে

*কট্টক , জুলাই ১৬ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা হয়েংদগী কট্টক্তা শান্নবা হৌগদৌরিবা কম্মনৱেল্‌ঠ টেবল টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী টিম গ্রুপ বি দা লৈখ্রে।



ইন্দিয়াগী টেবল টেন্নিসকী নুপা টিম্না গ্রুপ বি দা সিঙ্গাপোর অমদি স্কোটলেন্দগা তামিন্নখ্রে। ইন্দিয়াগী নুপা টিম অসি হৌজিক–হৌজিক ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা ১১শুবা পোজিসনদা লৈরি। অদুগা সিঙ্গাপোর অমদি স্কোটলেন্দনা ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা মথংশিংনা ৬১ অমদি ৯১শুবা পোজিসনদা লৈরি।

ইন্দিয়াগী নুপা টিমদা সরাথ কমাল অমদি জি সাথিয়ানা কম্মনৱেল্‌ঠ টেবল টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মরুওইবা শান্নরোই ওইনা শরুক য়ারি।

নুপীগী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী টিম গ্রুপ বি দা সাউথ অফ্রিকা, ৱেল্‌স অমদি শ্রী লঙ্কাগা তামিন্নরি। ইন্দিয়াগী নুপীগী টিম অসিদা শরুক য়ারিবা মনিকা বত্র নুপাগী সিঙ্গলস ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা ১০০ গী মনুং চনবা ঙম্বা ইন্দিয়াগী অহানবা শান্নরোই ওইবা ঙমখিবনি।

নুপাগী কাঙলূপ্তা ১০শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা ইংলেন্দগী মরুওইবা শান্নরোইশিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা থারক্তবা মরম্না ইন্দিয়াগী নুপা টিমদা মেডল লৌবগী চাওনা থাজবা লৈরি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়াগনি তৌরম্বা পাকিষ্টানগী টিম ভিসাগী চয়েৎনবা লৈবদগী ঙরাং চেম্পিয়ন্সিপ অসিদগী লৌথোকখ্রবনি।

ঘানা, গুয়ানাগা লোয়ননা অতোপ্পা লৈবাক খরা গভর্ণমেন্টতগী ক্লিয়ারেন্স পীরক্তবদগী শরুক য়াখিদ্রে। চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা লৈবাক ১৭ না শরুক য়াগনি তৌরম্বা অদু লৈবাক ৫ তোকখিবদগী লৈবাক ১২ না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লগনি।

## অরুননা পুদুচেরিগী কোচ ওইখ্রে

*ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৬ (এজেন্সি)ঃ*

কুমজা ২০১৭ দা ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগকী ক্লব অমা ওইরিবা কিংস এলবেন পঞ্জাবতা বেট্টিংগী কোচ ওইরম্বা জে অরুন কুমারনা কুমজা ২০১৯–২০ গী ওইনা পুদুচেরি ক্রিকেটকী ফোরমেট অহুমক্কী কোচ ওইখ্রে।

জে অরুন কুমার মমাঙদা কর্নাতকাগী বেটসমেন ওইরম্বনি। অদুগা মহাক্না কোচ ওইদুনা কর্নাতকাবু রঞ্জি ট্রোফি অনীরক চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াই, মমাঙ চহীদা অরুনকুমারনা কোচ ওইদুনা সিয়েকেম মদুরাই পেন্থরবু তামিল নাদু প্রেমিয়র লীগ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী চেম্পিয়ন ওইহনবা ঙমখি।

### ক্রোসৱার্দ ২২১ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| R | I | P | E | N | | U | P | O | N | | E | L | S | E |
| O | C | E | A | N | | N | U | D | E | | M | A | M | A |
| V | E | R | S | E | | T | R | E | A | S | U | R | E | R |
| E | D | I | T | | S | I | E | S | T | A | | G | A | L |
| | | M | E | D | A | L | | | E | L | D | E | R | S |
| C | H | E | R | U | B | | N | O | R | S | E | | | |
| O | A | T | | D | E | L | I | S | | A | P | A | R | T |
| P | I | E | R | | R | E | E | L | S | | P | L | A | Y |
| E | R | R | O | R | | S | C | O | O | T | | T | I | P |
| | | | L | E | A | S | E | | R | E | C | E | D | E |
| R | A | R | E | S | T | | | T | E | N | O | R | | |
| E | W | E | | E | L | O | P | E | R | | S | N | A | G |
| P | A | L | A | T | A | B | L | E | | S | T | A | R | E |
| O | R | A | L | | S | O | O | N | | E | A | T | E | R |
| T | E | X | T | | T | E | D | S | | C | R | E | A | M |


**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DIRECTORATE OF VETERINARY & A.H. SERVICES**

-------------

ওক লোইবিরিবা ফার্মরশিংদা খঙহঞ্জবা

"ওকশিংদা নাবা লায়না পি আর আর এস"

পি আর আর এস (পোঁসাইন রিপ্রটক্টিব এন্দ রেস্পিরেটোরি সিন্দ্রোম) কৌবা লায়না অসি ওক্তা নাবা স্বর হোনবা অমদি মচা পোকপগা মরী লৈনবা য়ান্না শাথিবা লায়না মখল অমনি।



- ⇨ লায়না অসি আরতিরি ভাইরস হায়না কৌবা আর এন এ ভাইরস মখা অমনা থোকহনবনি।
- ⇨ মসি য়ান্না লৌনগনবা ওক্কী মখল খুদিং অমসুং মশাগী চহী মতাং থিদনা নাগনবা লায়না মখল অমনি।
- ⇨ লায়না অসিগী মহিক অসি চেল্লবা অনাবা অমদগী চানবা মচিঞ্জাক অমসুং ঈশিং, থকপা চাবা মতমদা য়াওখিবদগী অয়াম্বা মতমদা লায়না অসি শন্দোকই অমসুং অনাবগা নক্লনা লৈবশিংনা শ্বর হোনবদা মহিক অসি হোনজিনখ্রগসু লায়না অসিনা নাহল্লি।
- ⇨ লায়না অসিনা শিবগী চাং অসি চাদা ১০০ ফাওবা য়ৌই।
- ⇨ মরুওইবা লায়ওংশিংদি লাইহৌ কন্না হৌবা, চানিং থক্লিংদবা, মীরোনবী মপীশিংদা পুক্লুংদা মচা শিবা, মচা লায়য়ৈ চৎপা, থা শুদনা পোকপা, মচা ওইবা ঙমদবা অমসুং শ্বর হোনবা ৱাবা অসিনচিংবা।
- ⇨ পোষ্ট মোর্টেম অমদি লেবোরেটরিদা ঈ চাংয়েং তৌথোক্লুনা চপ চানা লায়না অসিনা নারে হায়বা খঙদোকপা য়াই।

লায়না অসিগী চপ চাবা লায়েং অমদি লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা তিকা লৈতে। নাবা হৌরকপদা ঙাইরিবা ওকশিংবু এন্টিভাইওতিক অমদি সপপোর্তিব ড্রগ পীদুনা লায়েংবা য়াই। মরম অদুনা ওক লোইবিরিবশিংনা লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা পাম্বৈদি ওক্কোন লুনা লাননা থম্বা, মী চঙথোক–চঙশিন অথিংবা লৈবা, অশিবা ওকশিং মফম চানা ফুমজিনবা অসিনচিংবনি।

*খঙহঞ্জরিবা ঃ*
ডাইরেক্টর,
দিপার্টমেন্ট ওফ ভেটেরিনরি এন্দ এনিমেল হসবেন্দরি,
মণিপুর

*SL/B(V)/17-21July 19*



**IN THE FAMILY COURT, MANIPUR AT LAMPHELPAT, IMPHAL**

*Mat (Declaration) Suit No. 25 of 2019*

1. Hijam Ibemhal Devi, aged about 69 years, W/o (L) R.K. Ibotombi Sena of Sagolband Bijoy Govinda, PO. PS. Imphal West District, Manipur.
2. Smt. Usharani Rajkumari, aged about 40 years, D/o (L) R.K. Ibotombi Sena, resident of Sagolband Bijoy Govinda, PO.PS. Imphal, Imphal West District, Manipur.

***- Plaintiffs***

***-Verses-***

1. R.K. Amulsena, aged about 48 years, S/o (L) R.K. Ibotombi Sena
2. Rajkumari Monalisa Devi, aged about 44 years, D/o (L) R.K. Ibotombi Sena
3. Rajkumari Menaka Devi, aged about 42 years, D/o (L) R.K. Ibotombi Sena
4. Rajkumari Vijaya, aged about 38 years, D/o (L) R.K. Ibotombi Sena
5. Rajkumari Lakshmi, aged about 36 years, D/o (L) R.K. Ibotombi Sena

All are the resdents Sagolband Bijoy Govinda, PO.PS. Imphal, Imphal West District, Manipur.

***-Defendants***

To

All the interested persons

Whereas, the above named plaintiffs have filed a suit u/S 34 of the Specific Relief Act coupled with Section 7 of the Family Courts Act, praying for declaring that Smt. Usharani Rajkumari, D/o (L) R.K. Ibotombi Sina of Sagolband Bijoy Govinda is a divorcee; all the interested persons are hereby summoned to appear before Court on 24.07.2019 at 10.30 A.M. either in person or by a pleader duly instructed and able to answer all the materials questions relating to the case and to file written statement, if any.

Take notice that in default of your appearance on the mentioned date and time, the case will be heard and determined in your absence.

Sealed and signed by the order of this court, on this the 6th July 2019.

*Sd/-*
(N. Indira Devi)
Sr. Sheristadar
Family Court, Manipur

*SL/5100/16&17*